# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-11-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১১-১১-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থি হুন্নবগী থবক চত্থবদা আইননা য়াদবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই অহুম অমদি খূৎশু খূৎলাই কয়া ফারে।

২) নিউ দেল্লিগী লাল কিলা মেত্রো স্তেসন মনাক্তা শক্তি লৈরবা বোম পোখাইবদা মীওই খরা শিরে, খরনা শোক্লে হায়রি।

**অমসুং**

৩) বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাঙ অয়ুক পুং ৭ তগী থাদনবা হৌখ্রে।

----

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা আইন কাইবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী মখা তানা অকনবা চেকশিল থৌরাংশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়- ঙরাং থৌবাল জিলাগী হৈরোক পুলিস স্তেসননা কোনবা হৈরোক পার্ট টু মেলৈ তম্পাক্কী মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্বগী থবক চথবদা হাই এক্সপ্লোসিভ হেন্দ গ্রেনেদ ৩, থ্রি নোট থ্রিগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১০০, মেগজিন য়াওবা সেভেন পোইন্ট সিক্স টু এস.এল.আর ১, মেগজিন য়াওবা স্নাইপর রাইফল ১, দবল বেরেল ১, সিঙ্গল বেরেল রাইফল ১, তোঙান তোঙানবা রাইফলসকী মেগজিন ৩, চার্জর য়াওবা বাউফেং হেন্দ সেট ৪, মোতোরোলা হেন্দ সেট ১ অমসুং দবল বেরেলগী কোভর ১ ফাগৎপা ঙমখি।

ককচিং জিলাগী ৱাইখোঙ পুলিস স্তেসননা কোনবা লমজাও মখা লৈকাই পুখ্রি অচৌবা মনাক্তগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ য়ু.এন.এল.এফ-কেগী এক্তিভ কাদর অমা ফারে। মীওই অসি মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইনি। মঙোন্দগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল ১, মরু ৩, চাকা অনি পানবা গারি ১ অমসুং শেল ওইনা লূপা লিশিং ৪১ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ককচিং জিলাগী ৱাইখোঙ পুলিস স্তেসননা কোনবা লাংমৈদোং মনিং, ময়াই লৈকাইদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ য়ুনাইতেদ পিপলস পার্টি ওফ কংলৈপাক(য়ু.পি.পি.কে)গী এক্তিভ কাদর অমসু ফাগৎখি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মণিপুর পুলিসনা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি-পি.দব্লিয়ু.জিগী এক্তিভ কাদর নুপী অমা ফারে। মীওই অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস স্তেসননা কোনবা খুম্বোং বজার এরিয়াদগী ফাবা ঙমখিবনি। মহাক মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওহনি। মঙোন্দগী চাকা অনি পানবা গারি অমা য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা আইন কাইনা নিয়মগী ৱাংমদা গারি থৌবশিং মোতোর ভেহিকল এক্টকী মখাদা ফাইন থিহনবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। ঙরাং মণিপুর পুলিসনা আইন কাইনা গারি থৌবা মীওই ৫১ চলান কক্তুনা শেল ওইনা লূপা লাক্ষ ১ লিশিং ৯,৫০০ শেল ওইনা খোমগৎপা ঙমখি।

**বিরেন(এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- তংদু লৈতাদবা ফিভম য়াওনা মণিপুরদা ওইরিবা ফিভম অসিনা বি.জে.পিগী জেনরেল সেক্রেটরি রাজ্য অসিদা নুমিৎ নিনি হুমি খোঙচৎকী লাক্কদৌরিবা অসি অচম্বা খোঙচৎ ওইরোই।

ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা য়ুথ হোস্তেলদা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা আই.দি.পি অমনা পোকখিবা অঙাং অমগী ইপান থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদ্দা শরুক য়াখিবা শ্রী বিরেননা পাউমীশিংগা উনবদা হায়- বি.জে.পিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন বি.এল.শন্তোশ য়াওনা দল অসিগী অৱাং নোংপোক্কী ইন চার্জ সম্বিট পত্রনা রাজ্য অসিদা লাক্কদৌরিবা খোঙচৎ অসিনা মণিপুরদা হেন্না অফবা ফিভম অমা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মহাকা হায়- য়ুথ হোস্তেলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প অসিদা ইং ২০২৩গী মে ২১ দগী আই.দি.পিশিং লৈরকখিবনি। কেম্প অসিদা পুন্না লৈখিবা আই.দি.পিগী মশিং অসি ৬০৯ নি। মসিগী মনুংদা পুন্না মীরোনবী ১৯৬ না পুন্না অঙাং ২০১ পোকখি। মসিগী মনুংদা ১০২ না অঙাং নুপী মচাশিংনি। অঙাং নুপা মচাগী মশিংনা ৯৯ নি। মসিদা ফাইবোক অঙাং ৫ য়াওরি। আই.দি.পি মীরোনবীশিং অসিনা অঙাং উনবদা মমা য়াওনা মচাশিং অশোয় অঙাম অমত্তা থোকখিদে হায়রদুনা কেম্প অসি হাংবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা বি.জে.পিগী কর্যাকতাশিং অমদি কেম্প অসিদা লৈরিবা আই.দি.পি মীরোনবীশিংগীদমক চপ চাবা থৌদাং লৌখিবা

নর্সশিং অমদি অঙাং উনখিবা হোস্পিতালশিংবুসু শ্রী বিরেননা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

**ফায়র(এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাগী খোলমুনদা লৈবা তুইবোং এস.দি.ও-বি.দি.ও ওফিসকী কা অমা ঙরাং নুমিদাং মশক খঙদবশিংনা মৈ থারম্লে। ঐখোয়গী চুরাচান্দপুর পাউমী ফ্রান্সিস সোংঙাতেনা হায়-থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং থোকখিবনি। মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা কা অদুদা লৈরম্বা চে চাংশিং য়াওনা পোৎলম খরা অমা অতা থোকখি।

**ব্লাষ্ট ঃ** নিউ দেল্লিগী লাল কিলা মেত্রো স্তেসন মনাক্তা শক্তি লৈরবা বোম পোখাইবদা মীওই খরা শিরে, খরনা শোক্লে হায়রি। দেল্লি পুলিস কম্মিসনর শতিশ গোলচানা পাউমীশিংদা হায়- লাল কিলা মনাক্তা লৈবা মেত্রো স্তেসন অদুৱাইদা কার অমা তপা থৌজিল্লক্লগা খামখি। মদুগী তুংদা, পোখাইবগী থৌদোক অদু থোকখি। মহাকা হায়-থৌদোক অদুদা মনাক নকপদা লৈবা গারিশিং অমাং অতা থোকখি। মফম অদুদা মীওই খরা লৈখিদে, খরনা শোকখি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থৌদোক অসিবু য়ামা হকচিন্না লৌই হায়রি। পাউ খরনা হায়-শ্রী মোদিনা গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহগা ৱারি শান্নদুনা খুদক খুদক্কী ওইবা পাউশিং পীরকবা খঙহনখ্রে। মরক অসিদা, গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা দেল্লি পুলিস কম্মিসনর, এন.আই.এগী দি.জি অমসুং ইন্তেল্লিজেন্স ব্যুরোগী দাইরেক্তরগা ফিভম অসিগী মতাংদা কুপা থিজিন্নবা খন্নখ্রে। মখোয়শিংদা অথুবা মতমদা থৌদোক অসিগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল খঙহল্লকবা হায়খ্রে।

অমরোমদা, গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহ লোক নায়ক জয় প্রকাশ হোস্পিতাল চত্তুনা অশোকপশিংগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। পাউমীশিংগা উনবদা শ্রী শাহনা হায়- অথুবা মতমদা মীয়ামদা থৌদোক অসি করমা থোকখিবনো হায়বদু খঙহনগনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। জপানগী এম্বেসেদর ওনো কেচিনা থৌদোক অসিদা লৈখিদবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা থমোয় শোকা নুঙাইতবা ফোঙদোরক্লি অমসুং অশোকপশিং অদুসু অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়রি। ভারত্তা লৈবা বৃটিশকী হাই কম্মিসনর লিন্দি কেমেরুন, অমেরিকাগী এম্বেসি, আর্জেন্তিনাগী অম্বেসেদর, বঙ্গলাদেশকী হাই কম্মিসনর, ইরানগী এম্বেসি, ওস্ত্রেলিয়াগী হাই কম্মিসনর, শ্রী লঙ্কাগী হাই কম্মিসন অমদি মোরোকোগী এম্বেসিনা থৌদোক অসিগীদমক অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

**বিহার ঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাঙ অয়ুক পুং ৭ তগী থাদনবা হৌখ্রে। ভোৎ নুংথিল পুং ৬ ফাওবা থাদনগনি। বিধান সভা কেন্দ্র ৭ কী পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ১,২০২ দা ঙাকশেলগী য়েংলগা ভোৎ থাদবগী মতম নুংথিল পুং ৫ দা তেনশিল্লে।

তাঙ্কক অসিদা জিলা ২০ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা ভোৎ থাদনরি। ভোতর কোতি ৩ লাক্ষ ৭০ না নুপী মীরেপ ১৩৬ য়াওনা মীরেপ লিশিং ১,৩০২ না মরাইবম লেপকনি । মীখল শান্তি ওইনা পাঙথোকবগীদমক পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ৪৫ হাংদোক্লে। পোল্লিং ষ্টেসন অয়াম্বদা ৱেব কাষ্টিং তৌগনি। দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটর ২০ মক্তা কন্ট্রোল রুম হাংদোক্তুনা থমলে। নুপীদা হেন্না শক্তি পীনবা পান্দমদা পোল্লিং ষ্টেসন ৫৯৫ দা নুপীশিংনা মথৌ তৌরি। মসিগী মথক্তা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংনা মথৌ তৌবা পোল্লিং বুথ ২১ য়াওরি। মোদেল পোল্লিং ষ্টেসন ৩১৬ সু হাংদোক্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লিগী রেদ ফোর্টতা বোম কাইবগী থোদোক্তা মীশি মীনা য়াওনা অশোক অপন নংখিবগী পাউ, বি.জে.পিগী জেনরেল সেক্রেটরিগী মণিপুর খোঙচৎ অসিগা মরী লৈনবা পাউশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

দেল্লিগী বোম পোখাইবগী থৌদোক অসি রেদ ফোর্টতা বোম পোখাইখ্রে, ১৩ শিরগা ৩০ হেন্না অশোক অপন নংলে হায়না- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ অমসুং দ চম, পাউচেশিং অসিগীসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

ফিশা-লোনশা, খূৎ হৈবশিংগী হৈ-শিংবা মালেমগী থাক্তা উখোকপগী ফম্পাক অমা পীরে হায়না হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়রগী স্পিসিয়েল সেক্রেটরি কেংঙু জ্‌রিংলানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- পোকফমগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। এম.পি.এস.সিগী ৱাহংচে নল্লিবা প্রিন্তিং প্রেসকী মথক্তা এক্কারি কন্মিতি শেমদুনা য়েংশিনগদবনি হায়বা মহৈরোই লুপ ৬ কী ৱাফম-পাউচে অসিমক্কী অহানবা লামাইদা ফোঙলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- পিপলস ক্রোনিকল অমসুং তামেংলোং তাইমস পাউচেশিং অসিদসু ফোঙলি।

নোর্থ ইষ্টকী পোলিসি মেকরশিংনা রিজন অসিবু চাউখৎ লন্বীদা মাংজিল থারকবা হেন্না মাই ওনশিনবীয়ু হায়না লোক সভাগী স্পিকর ওম বিরলানা ফোঙদোকখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- বি.জে.পি লুচিংবশিংগী খোঙচৎনা লৈঙাক শেন্বা ঙমদৌরিব্রা নাকপাক তানগদৌরিব্রা হায়বসিনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউদা বি.জে.পিগী বি.এল.শন্তোশ খোঙচৎকী মাংওইননা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। গানফিউ মেলদসু পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা ১৫০ শুবা য়ুনিতি মার্চ পাঙথোকখিবগী পাউ অমসু- মণিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**